আই বি এ ৱিমেন ৱর্ল্ড বোক্সিং

# নিখট ফাইনেল চঙখ্রে; মনিশা, পর্ভিন ব্রোঞ্জ ফংহৌরে

ইষ্টানবুল, মে ১৮ (এজেন্সী):

টর্কিনা য়ূম্বু ওইদুনা চৎথরিবা আই বি এ ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা কেজি ৫২ কাঙলূপকী সেমীফাইনেল বাউটতা মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিখট জারিন সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর২ মনিশা মোন (কেজি ৫৭) অমদি পর্ভিন হূদা (কেজি ৬৩) মখোয়গী সেমীফাইনেল বাউটতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌরে।

হান্নগী জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নিখট জারিননা ঙসি শান্নখিবা কেজি ৫২ কাঙলূপকী সেমীফাইনেল বাউটতা খূদুম চন্না ব্রাজিলগী কেরোলিন দি অলমৈদাবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২৫ খক্তা ঙাইরিবী তেলঙ্গনাগী বোক্সর নিখটনা মোং হাদনা শান্নদুনা মহাক্কী রাইভেলবু খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা অরোইবা বাউটতা য়ুনানিমস দিসিজনদা মায় পাকখিবনি।

হায়দরবাদতা বেজ তৌবা বোক্সর জারিননা ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা এলিট লিষ্টতা য়াওবগী খূদোংচাবা ফংখ্রে।

অমরোমদা, কেজি ৫৭ কাঙলূপকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল বাউটতা মনিশানা টোকিও ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ইটলিগী ইমরা টেষ্টাগী মখূৎতা য়ুনানিমস দিসিজন ০-৫দা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

২০১৯ এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট মনিশানা মহাক্কী অনীশুবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াবা অসিদা মায় পাক্লবা মহাক্কী পাৱর পঞ্চ শীজিন্নদুনা সুপরিয়র ওপোনেন্টবু খূদুম চন্নবা হোৎনখি অদুবু টেষ্টানা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা মনিশাবু মায়থীবা পীখিবনি।

পর্ভিন হূদাসু কেজি ৬৩গী সেমীফাইনেল বাউটতা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট এমি ব্রোদহর্ষ্টকী মখূৎতা স্প্লিট ভর্দিক্ট ১-৪দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ৪-তরুক্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবী এম সী মেরি কোম, সরিতা, জেন্নী আর এল অমদি লেখা সীনা ৱর্ল্ড টাইটলশিং ফংবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা কুমজা ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখিবা ইভেন্ট ওইরি। ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৪, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ৮ ফংবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী মমাংগী এদিসনদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৪না মেদল লৌরক্তুনা য়ূমদা হল্লকখিবনি। মঞ্জু রানীনা সিলভর মেদল অদুগা ৬লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী এম সী মেরি কোমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা ৮লক শুবা ৱর্ল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।




# সব-জুনিয়র নেসনল হোক্কীগী ক্বার্টর ফাইনেল ঙসি শান্নরগনি

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা চৎথরিবা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শগোলশেন নুমিৎতা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

অহানবা ক্বার্টরদা হোক্কী হরয়ানা অমদি হোক্কী মিজোরাম অয়ূক পুং ৮দা থেংনরগনি। অনীশুবা ক্বার্টরদা উত্তর প্রদেশ হোক্কী অমদি হোক্কী চান্দিগরনা অয়ূক পুং ১০দা লম্বা তৌনরগনি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা হোক্কী মধ্য প্রদেশ অমদি হোক্কী মহারাষ্ট্র অনীনা নুংথিল পুং ৪দা অদুগা অরোইবা ক্বার্টরদা হোক্কী ঝরখন্দ অমদি হোক্কী পঞ্জাব অনীনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর হোক্কীনা পুল বিগী অরোইবা মেটচতা হোক্কী ঝরখন্দগী মখূৎতা ১-৪দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপান থোক্লকখিবনি।

# খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমসতা মেদল লৌরকখিবা এম য়ুগী শান্নরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

কেরলানা য়ূম্বু ওইদুনা বেঙ্গলুরুগী জেন য়ুনিভর্সিটিদা এপ্রিল ২৪দগী মে ৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমসতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কম্মিটি রুমদা সর্টিফিকেটশিং অমদি শেলগী মনা খূৎশিন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লিন্থোই হাওবম, বিরমঙ্গোল কোলেজকী পি ঐচ অনিতা চনু অমদি খুশবুরানী লাইশ্রম, কে পি কোলেজকী এন মিনা অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজকী জি প্রিয়ালক্সমীনা শাবা টিমনা ফেন্সিং নুপীগী ফোইল টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। অদুগা বিরমঙ্গোল কোলেজকী পি ঐচ অনিতা অমদি ঐচ ভুমেশ্বরীনা ফোইল ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখিবনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কন্টিঞ্জেন্টশিং অদু মণিপুর কোলেজকী এসোসিএট প্রো. ডা. কে ঐচ জয়চন্দ্রনা লুচিংখিবগা লোয়ননা টিমগী ওফিসল ওইনা ঐচ য়াদবচন্দ্র, ঐচ লৈমরেন্বী, ঐচ মংলেম্বা মীতৈ, এস রোশন মৈতৈ অমদি এল থোইমণিনা শরুক য়াখি।

তোঙান-তোঙানবা য়ুনিভর্সিটি ১৮৭তগী লাকপা মেম্বর ৮২৭না অথোই-অহেন তান্নখিবা গেমস অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱিমেন্স ফেন্সিং টিমনা অনীশুবা ওভরওল বেষ্ট টিম ট্রোফি ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ৩৭শুবা পোজিসন তাবা ঙমখিবনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. এন লোকেন্দ্র, রেজিষ্ট্রার প্রো. দল্লিয়ু চান্দবাবু, ফাইনান্স ওফিসর ইন-চার্জ প্রো. এন রাজমণি অমদি স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ডা. সী ঐচ প্রদিপনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. এন লোকেন্দ্রনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টিম ইভেন্টতা গোল্ড লৌরকখ্রবশিংদা লুপা লিশিং ১০/১০গী মনা, সিলভর মেদল ফংলকখিবশিংদা লিশিং ৭/৭ অমদি ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা গোল্ড লৌরকখ্রবশিংদা লুপা লিশিং ১৫/১৫ অমদি সিলভর মেদল ফংলকপশিংদা লিশিং ১০/১০গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

# ষ্টেট বোক্সিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

কর্নাটাকাগী বেলারি টোরোনগুলুদা থা অসিগী ১৯দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারুগদবা মীওই ২৩না শাবা ষ্টেট টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা এম শ্যামচন্দ্র (চীফ কোচ), এন সঙ্গিতা (কোচ), ৱাই প্রিয়ো মৈতৈ (কোচ), এল চিত্তরঞ্জন (কোচ কম মেনেজর) অমদি ৱাই জয়ন্তরাম (মেনেজর)নি।

নুপী বোক্সরশিং অদুনা থৌদাম মেরিনা (কেজি ৩৬), নিংথৌজম লিওনা (৩৮), অহৈবম থোইবীসনা চনু (৪০), অঙোম জয়াবতি (৪২), থোকচোম লক্ষ্মি (৪৪), রাধামণি লোংজম (৪৬), অহৈবম সোনিয়া (৪৮), নিংথৌজম অঞ্জলি (৫০) অমদি চিরোম জয়শ্রী (৫৮)নি।

নুপা বোক্সরশিং অদুনা জসোবন্ত য়েংখোম (কেজি ৩৫), লাইশাংবম উনিংবা খুমন (৩৭), থিংঙোম রিশি (৪০), নিংথৌজম নাওচা (৪৩), খাইদেম সনাতোম্বা মৈতৈ (৪৬), থৌমুজম পাইখোম্বা মৈতৈ (৪৯), কোঞ্জেংবম রাকেশ (৫২), প্রবিন নাওরেম (৫৫) অমদি কৈশাম থৌঙম্বা (৫৮)নি।

অমরোমদা, মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনননা ষ্টেটকী নুপামচা অমদি নুপীমচা বোক্সরশিংনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীদুনা ষ্টেটকী মিংচৎ পুরক্লবা য়াইফ থৌজাল পীখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো ফুটবোল

# টি জি স্কুলনা রোয়ল এদ্যুকেসন থোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা চৎথরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা ৬১শুবা সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী মেটচ অমদা টি জি ইংলিশ স্কুল বিষ্ণুপুরনা রোয়ল এদ্যুকেসন সেন্টর খা-পোৎশংবমবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টি জি স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু কামৈ লঙাংলুংনা শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি আর কে রঞ্জননা মায় পাকখিবা টি জি স্কুলগী দল্লিয়ু রাহুলবু শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্দদগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো কার্দ অদুনা শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা বুক তৌখিবনি।

রেফরিনা মখা তানা টি জি স্কুলগী দল্লিয়ু বিকাশসু শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অমরোমদা, চহী ১৪ মখাগী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা পিঞ্জবতি হায় স্কুল সন্দাখোংনা খা-সঞ্জেনবম হায় স্কুলবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পিঞ্জবতি স্কুলগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এল রাজেশ অমদি কে ঐচ থোইথোইবনা শান্নবগী ১১ অমদি ২৩শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এল ননাওনা পিঞ্জবতিগী ও বোরিশ অমদি খা-সঞ্জেনবমগী এল লখন শান্নবগী ৩৮ অমদি ১৬শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

অতোপ্পা চহী কাঙলূপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জি এন কে ইংলিশ স্কুল থিনুঙ্গৈনা রোয়ল এদ্যুকেসন সেন্টরবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

জি এন কেগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু এন দিপসননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসি দাংমৈ জেনপুনা সেন্টর রেফরি, দল্লিয়ু জোন্সন অমদি দল্লিয়ু পোলিনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান এন্দ টু, আর কে রঞ্জননা ফোর্থ ওফিসল, আই জয়কুমারনা রেফরি এসেসর অমদি টি ঐচ তেজমণিনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৪ মখা অমদি ১৭ মখাগী সেমীফাইনেল মেটচশিং শগোলশেন নুমিৎতা শান্নরগনি।

লমকাং স্পোর্টস মীট

# বেটুক, থল্লাপোকপী, হাইকা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

লমকাং কুরুচুকনাও কুনপুন (এল কে কে)না শীন্দুনা চৎথরিবা ৫৬শুবা ওল লমকাং স্পোর্টস মীট ২০২২গী ফুটবোল মশান্নগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা বেটুক, থল্লাপোকপী অমদি হাইকা খুবুল মায় পাকখ্রে।

অংখেল চয়াং গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা হাইকা খুবুলনা দাস্কোবু টাই ব্রেকতা ৮-৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল ৩-৩দা দ্রো ওইখি।

দাস্কোগী গোলশিং অদুনা কেলভিন, অংৱার অমদি বুংদমনা চনবা ঙমখি। অদুগা হাইকাগী গোলশিং অদুনা দি রেংশিঙম, টি ঐচ রোংদোন অমদি দি রোবর্টনা চনবা ঙমখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা দাস্কোগী মায়কৈদগী কেলভিন, বুংদম অংৱার অমদি বুংমার্সিংনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা হাইকাগী মায়কৈদগী রেংতোন, মোর্নিংসন, বুংপেম, রেংদোন অমদি কামনিংৱারনা গোল ওন্থোক্তুনা দাস্কোবু ৮-৭তা মায়থীবা পীখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা থল্লাপোকপীনা লমকাং খুনৌবু লাকচনা ৭-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

থল্লাপোকপীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দার্পোল অমদি খুমসননা গোল ২/২ অদুগা পাওলিন, রেরিংশেল অমদি রাইঙমনা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। লমকাংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জে ভি মার্টেনা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা বেটুকনা কোমসেনবু ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাকপগী গোলশিং অদু জে াসেফনা ২ অদুগা বোর্মি, অশোক অমদি এল ভি কোজোইনা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। কোমসেনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এস কে কোদোকনা চনবা ঙমখিবনি।

# কেপ্টেন ইমোচাওবা তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

হোট এয়র বেলুন্নিং এন্দ এরো স্পোর্টসতা শীংথানিংঙাই ওইরবা এচিভমেন্ট ফংলক্তুনা চহী অসিগী এপ্রিল ২৪দা দেল্লী রত্না এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রবা কেপ্টেন ক্ষেত্রিময়ুম ইমোচাওববু ঙসি মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা তরাম্না ওকখ্রে।

কেপ্টেন ইমোচাওবা দিরেক্টোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিএসননা ইস্যু তৌবা হোট এয়র বেলুনগী অমত্তা ঙাইরবা পাইলোট ইন্সট্রক্টর ওইনা লৈরি। মহাক্না ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা হোট এয়র বেলুন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখ্রে।

কেপ্টেন ইমোচাওবনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২২দা স্লোভেনিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪শুবা এফ এ আই ৱর্ল্ড হোট এয়র বেলুন চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারগনি।

মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ইমোচাওবনা দেল্লী রত্না এৱার্দ ফংলকপা অসি মণিপুরীশিংগী চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

# কোচেস ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসননা শীন্দুনা নুমিৎ ৮নি চুপ্পা চৎথগদবা বেদমিন্টন কোচেস ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এম বি এ হোলদা হৌদোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি থা অসিগী ২৫দা লোইশিল্লগনি।

# বোক্সিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনননা শীন্দুনা জুন ১দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২২গী অয়ূক পুং ৭তা খাঙবোক্তা লৈবা বাসু কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা ২০০৬কী জন্যুৱারী ১দগী ২০০৭কী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা পোকপা বোক্সরশিং ওইগদবনি অমদি ট্রায়ল য়াওবা লাকপা মতমদা বর্থ সর্টিফিকেট, রিদিং সর্টিফিকেট অমদি এজ ভেরিফিকেসন সর্টিফিকেটনচিংবা ওরিজিনেল দোক্যুমেন্টশিং লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

**MANIPUR UNIVERSITY**
ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / **TENDER NOTICE**
Dated, the 18th May, 2022

**MU/MIT/Equipment/2022/1/246:** Manipur University invites sealed tenders for SUPPLY OF EQUIPMENTS FOR MECHANICAL ENGINEERING DEPARTMENT, MIT. Terms and conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.


**Sd/- David K. Zote**
**Purchase Officer, Manipur University, Canchipur**
HL-B/7650/19

**MANIPUR UNIVERSITY**
ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / **TENDER NOTICE**
Dated, the 18th May, 2022

**MU/MIT/Equipment/2022/247:** Manipur University invites sealed tenders for SUPPLY OF EQUIPMENTS FOR ELECTRICAL ENGINEERING DEPARTMENT, MIT. Terms and conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.

**Sd/- David K. Zote**
**Purchase Officer, Manipur University, Canchipur**
HL-B/7649/19

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 457**

**CM Max Chen (1997) - IM Guliskhan Nakhbayeva (2333)**

**Titled Tuesday 7th Sept chess.com INT (8), 2021.09.07**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nd2 c5 | 4.exd5 exd5 |
| 5.Ngf3 Nc6 | 6.Bb5 Qe7+ | 7.Qe2 Qxe2+ | 8.Kxe2 a6 |
| 9.Bxc6+ bxc6 | 10.Re1 f6 | 11.Kf1+ Kf7 | 12.dxc5 Bxc5 |
| 13.Nb3 Bd6 | 14.Be3 a5 | 15.Nfd2 Ne7 | 16.Bc5 Rd8 |
| 17.Nf3 a4 | 18.Bxd6 Rxd6 | 19.Nc5 a3 | 20.b4 Bf5 |
| 21.Nd4 Bg6 | 22.c3 Nc8 | 23.Nb7 Rd7 | 24.Nxc6 Nd6 |
| 25.Nc5 Rc7 | 26.Nd4 Ne4 | 27.Nb5 Rc6 | 28.Nxe4 Bxe4 |
| 29.Re3 Rb8 | 30.Nxa3 g5 | 31.f3 Bf5 | 32.Rd1 Ra6 |
| 33.c4 dxc4 | 34.Nxc4 Rxb4 | 35.Nd6+ Kg6 | 36.g4 Bd7 |
| 37.Re7 Bc6 | 38. ... | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 456 Ans. :**

9. Qxf7+ Kh8 10. Qg8+ Kxg8 11. Ne7+ Kf8 12. N7g6+ hxg6 13. Nxg6# 1-0

ꯑꯦꯚꯤꯑꯣ ꯏꯟꯇꯔꯅꯦꯁꯅꯦꯜ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ
AVIO INTERNATIONAL INSTITUTE
PROFESSIONAL CABIN CREW TRAINING INSTITUTE
AVIO INTERNATIONAL INSTITUTE

- 100% PLACEMENT ASSISTANCE
- GUARANTEE YOUR SUCCESS WITH OUR UNLIMITED SUPPORT
- CUSTOMISED TRAINING
- MOCK INTERVIEW
- PERSONALITY DEVELOPMENT
- SOFT SKILL DEVELOPMENT
- GROOMING ENHANCEMENT
- SWIMMING CLASS

HURRY UP!!! ADMISSION OPEN NOW

OUR TRAINERS ARE EXPERIENCED FIRST CLASS CABIN CREW. OWNING OVER DECADES OF FLYING EXPERIENCE WITH ICONIC AIRLINES:
- JET AIRWAYS
- GULF AIR
- OMAN AIR

ELIGIBILITY:
AGE:- 18 TO 26 YEARS
EDUCATION:- 12TH PASS
TRAINING CENTRE:
OMNICRON III, GREATER NOIDA, 201310.
HEAD OFFICE:
KWAKEITHEL, THOKCHOM LEIKAI, IMPHAL.
MOB: 7005045375/7005180623
BRANCH OFFICE:
1. BISHNUPUR BAZAAR, NEAR MANIPUR STATE CO-OPERATIVE BANK.
MOB: 8920285159
2. SENAPATI BAZAAR, OPPOSITE SENAPATI BUS PARKING.
MOB: 9774628571
BUSINESS HOURS: 10:00A.M - 4:00 P.M (SUNDAY CLOSED)
Email: avio.institute@gmail.com

FOR INQUIRY CALL
7005045375/7005180623



Reg: UDYAM-MN-01-0001766
HL-P/1068/19 & 21

ꯄꯦꯟꯁꯟ ꯂꯣꯟ
PENSION LOAN

- Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
- থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
- Loan লৌবীবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোয়নবীগদবনি।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building,
Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774495994
HL-B/7613/22/4-20/6

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com